# ‘মণিপুর কর্ফিয়ুনা লৈবাক ঙাক্লি-!’

- এল ইবোমচা -

মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর ১৪ রোম শ্রী এন বিরেন সিংহ য়াওনা লৈবাক ঙাক্লকখ্রে। হায়রিবা চীফ মিনিষ্টরশিংসিগী মনুংদা শ্রী এন বিরেন সিংহনা খ্বাইদগী মরাইবক থীবা চীফ মিনিষ্টরনি হায়বা য়াই। মদুদি মহাক্না চীফ মিনিষ্টর হেক ওইবগা কোভিদ ১৯ লাইচৎকী অৱাবা চৈথেং ইং ২০১৯ দগী নঙদুনা লাকপনা হৌজিক ফাওবা মায়োক্নদুনা লৈরি। অসুম্না অৱাবা চৈথেং মপুং ফানা কোক্তনা লৈরিঙৈগী মরকসিদা হৌজিক্না মীতৈ কুকি অনীগী কাঙলূপকী ৱাথোক মানবা অকনবা লান অমমুক মে ৩, ২০২৩ ইং য়ুমশকৈশ নুমিৎসিদগী হৌদুনা মায়োক্নরি। হন্দক মীতৈ কুকি অনীগী মরক্তা থোক্লিবা কাঙলূপকী মানবা লান অসি মতম কুইনা শোক্নমনখিবনা মরম ওইরগা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ ফুরুপ খুদিং অৱাবা চৈথেং নঙদবা অমত্তা য়াওদ্রে। তৌবগীদি ইমা লৈবাক মণিপুরসি তাঙ্কক কয়াদা অৱা মৈশা ফঙখ্রে। অহানবদা ইং ১৮১৯ দগী ইং ১৯২৬ ফাওবদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখি। অনীশুবদা ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর ওইখিবা সর্দার ভল্লবভাই পটেলনা ইন্দিয়াগী নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংবু ইন্দিয়াদা তিলহন্নবা হোৎনরকপদা মণিপুরসু য়াওদুনা অসামগী গভর্ণরগা তান্নদুনা ইং ১৯৪৯ সেপ্টেম্বর ২১ দা মহারাজ বোধচন্দ্রগা মশানা য়ানিংদা য়ানিংদনা নমদুনা ইন্দিয়াদা তিনবগী মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌনখিবগী থৌদোক থোকখি। অহুমশুবদা, ইং ১৯৫৩ মার্চকী থাদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা মচানুপী ইন্দিরা গান্ধীগা ইম্ফালদা লাকমিন্নরগা বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর ইউনুদা মণিপুরগী কবো ভেল্লি মহারাজ বোধচন্দ্রগী মমাঙমক্তদা সহি তৌনরগা পীথোকখিবগী থৌদোকসি থোকখি। মরিশুবদা, শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর অদুগা অমিট সহানা হোম মিনিষ্টর ওইবা হাক্তক মে ৩, ২০২৩ ইং য়ুমশকৈশ নুমিৎ অসিদগী হৌখিবা মীতৈ কুকি অনীগী কাঙলূপ ফুরুপকী মানবা লান অসি অমুক থোক্লে। তশেংবদি হন্দক্কী লান অসি কাঙলূপ ফুরুপকী লান নত্তে, মীতৈশিংগী মরৈবাক পুন্বা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মুল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেমগে হায়বগী লাননি। ইন্দিয়ানা মসিদা মণিপুরবু মশাগী মরম্নি খন্দবগী মওংদা য়েংলগা লৈবনি। হায়বদি মীতৈগী লমদা শৈদাংদুনা লৈররিবা ফোরেন্নর নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা লম মুনগে হায়বনি। ভারাদা লৈবা মীওইনা য়ুম্বদু তাম্থোক্লগা মাগী ওইহৌগে হায়বগুম্বনি। ঙসিদি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগী অকনবা লান্দা মণিপুর লৈঙাক ৱাবনা ফ্রে-ফ্রে লাউরে, চীফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেন সিংহ মকোক্তা মৈ হৌরে। অহানবা হৌরকপা লান্দা চেকশিনবা খজিক ৱাৎহৌবগী নিংঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা খোইনা চিকখিবা মীনা হয়িং উবা য়াদবগুম কুকি পনবা খক্তদা মশা থক-থক নিক্না কিরে। মীয়ামগী অকনবা খোল্লাওদা মশা পুন্বা পুংপং পংশিনখিদুনা ৱা ঙাঙবদা লৈতোন শেংনা ঙাঙবা ঙমদ্রে। মাগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থবদি কর্ফিয়ুবু খুৎলায় ওইদুনা শীজিন্নবা নত্তনা অতৈ অমা লৈত্রে। মরম অদুনা খবরশিংগী হেদ লাইনশিং টিভি রেদিওগী পাউদা কর্ফিয়ুনা হান্না মাঙ থারগা শন্দোক্লে। কর্ফিয়ু থম্বগী ওর্দর দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকচরবসু চীফ মিনিষ্টরগী অকনবা য়াথং অদুননি। হন্দক্কী কর্ফিয়ুসি ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা য়াররনি, অমুক তেনশিল্লি অমুক শাংদোকই অমুক্না ফুলদনি। কর্ফিয়ু মনুংদা অঙাং কয়া পোকখ্রে, মীওই কয়া অমা অশি অনা, অশোক অপন থোকখ্রে। কর্ফিয়ু মনুংসিদা লান তৌনা তৌনা কুকি ফুরুপকী মীওইশিংগী মরক্তা ভিক্তিম কার্দ পায়রগা মীশিংবু মপি ওরো-ওরো শিন্থহন্নবা দ্রামা শান্নবা হৈবা বেষ্ট এক্টর, এক্ট্রেস কয়ামসু থোরক্লি। মখোয়না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা সিনেমা পুথোকপা ঙম্লবদি ওস্কার ফিল্ম এৱার্দ ফঙলোইদবগী ৱাফম লৈরোই।

কুকিশিংনা ফত্তবদা হৈশিংবসি হন্দক্কী লান অসিদগী ইরায় লাইনা হেক্তা খঙবা ঙম্লে হায়বদি মখোয়না তৌবা ফত্তবা পুম্নমক ইরাং অসিগী মরুমদা থম্লগা হিন্দু মীতৈশিংনা মাইনোরিটি খৃষ্টান লাইনিং চৎপা কুকিশিং ওৎপী নৈবীরে, ঐখোয়গী নুপীশিংবু মখুদাং পায়দুনা লমজাও সড়ক্তা চিংবীদুনা পুবীরে, ইজ্জৎ তেমশিংনবীরে হায়দুনা মালেমগী মীয়ামদা অরানবা তাহন্নবা শান্নরিবা দ্রামা অসিবু করম্না বেষ্ট এক্টর এক্ট্রেস ঙাক্তনি হায়রোই। মীতৈনা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ তানবগী মায়োক্তনি হায়না চৎখিবা মার্চ রেল্লি অদুদা ত্রাইবেল তারিবা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা ইরাং অমত্তা থোক্ত্রগা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা ইরাং থোক্লিবা অসিনদি মনুংদা করিনো অরোনবা এজেন্দা অমা লৈরে ফোঙনা তাকচৈ। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী শ্রী এন বিরেন সিংহনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা লৈঙাক অসিনা চীংদা কুকিশিংনা পোপ্পি থাবা থিংলুবা, রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া কন্নবা হোৎনরুবা, ফোরেষ্টকী লমদা শারম্বা য়ুমশিং তকথোক্লুবা অমসুং এন আর সি চৎনহন্নবা থবক লৌখৎপা হৌরুবদগী নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা ইরাং শাগৎলকপনি হায়বা মীয়াম্না লোইনা খঙলে। অমরোমদা, মখোয়গী ফত্তবা অরানবা কয়া’মা লোৎশিন্দুনা থম্লগা মীতৈগা লৈমিন্নবা ঙম্লরোই য়ুম্লোন্নবা ওইনা লৈমিন্নরগে হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লম্বদগী থোক ওন্থোক্লগা য়ুনিয়ন টেরিটরি নত্ত্রগা ষ্টেট পীয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌবা হৌরকখি। মসিনা মায় পাক্লবদি মনিং মখা তম্না মণিপুরগী চীংমাইগী মখোয়গী নাৎ চৎনবী লোন মান্নবা কুকিশিং কৌশিল্লগা কুকিলেন্দ ষ্টেট শেম্লগা মালেমগী অনীশুবা গোল্ডেন ত্রাইএঙ্গল শেমগৎকে হায়বনি। মসিগুম্বা মালেম্নু মাঙ তাক্লবগী মশক ওইরবা ফত্তবা অরোনবা থৌরাংশিং অসি লোৎশিন্দুনা থম্লগা মীতৈশিংবু অরানবা তাহন্নবা নেসনেলগী থাক্তা ৱাফম কয়া পুখৎলক্লি। হায়বদি মীশিং য়াম্বা মীতৈ হিন্দু কয়ানা মীশিং য়ামদবা খৃষ্টান ইন্দিজিনস কুকিশিংবু ওৎ নৈবীবগী মথক্তা চর্চ কয়ামরুম মৈ থাদোকপীখ্রে হায়না ওইদা-পাদবা ৱাহৈশিংনা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী ন্যুজশিংদা শন্দোকহন্দুনা মালেমদা মখোয়বু নুংশিবীনবা মীচং খোম্বগী থবক কন্না চথদুনা লৈ। অতোপ্পা অমনা ইরাং হৌখিবা নুমিৎকী হেক নোংঙানবা মে ৪, ২০২৩ ইং শগোলশেলদা ফোঙ-ফোঙ শানা ইরাং কল্লিঙৈদা থোকখিবা ইজ্জৎ শোকপা য়াবা থবক্তি তৌখিদবা ফি থোংদবা কুকি নুপী অনীগী সেকেন্দ খরখক শাংবা ভিদিও ক্লিপ অদু নেসনেল মেদিয়াশিংদা, নেসনেল ফোরমশিংদা হন্না হন্না উৎহন্দুনা মীচং খোম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনৈ। মখোয়না মীতৈশিংদা চথখিবা মীওৎ মীনৈশিং অমসুং তৌহৈদবা য়েংহৈদবা মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা চৎলোইদবা তমথীবা হিংশাগী থবক কয়া চথখিবা অদুবুদি লোৎশিন্দুনা থম্লগা নুপী অনীগী ফি থোংদবা ভিদিও ক্লিপ অসিনা মীয়ামগী মীনুংশি নীরি। অদুগা ঙরাং নহান্তসু ফোঙ-ফোঙ শানা ক্বাক্তাদা অহিংদা তুমদুনা লৈজরিবা মপা-মচা য়াওনা মীওই অহুম্ব য়ুমগী থোং থুগায়দুনা চঙলগা তমথীনা হাৎখি। অদুগা মহে মশিং তল্লিবা চহী ১৭/১৮ মুক শুরবা নুপীমচা অমগা নুপামচা অমগা মীহাৎ থীনা হাৎখিবগী ফোটো মোবাইলদা থাগৎলকপদগী খঙলে। মরম অসিনা কুকি হায়বা ফুরুপ অসি য়াম্না চাওখৎতবা মীনুংশি লৈতবা মখোঙ অনী, মখুৎ অনী পান্দুনা মী ওইনা পোক্লরবসু শাদগী হেন্না তোনবা শাথিবা ঙাক্তনি। কপশিন লাউশিন্নবা, তৌশিন্নবা হায়জিনবা কয়া কয়ানা মালেমগী মীয়াম মাঙদা মীতৈশিং য়োনবা য়াবা য়োল্লে আ য়ুরোপিয়ন কন্ত্রি য়ৌরে। মরম অসিনা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা তাল্লিবা মথোং চাদবা দিমান্দ কয়াসিগী মায়োক্তা ঐখোয় থৌনা ফনা মায়োক্লবা তাই। মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অসিনা করিগুম্বদা ফঙখিবা থোক্লবদি মালেমগী ওইদুনা মাঙজবা নত্তনা ওইজবা কান্নবা অমত্তা ফঙগদবা লৈরোই। মরম অসিনা চিন কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরদা মালেমগী অনীশুবা গোল্ডেন ত্রাইএঙ্গল অমমুক হাংদোক্লবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামদগী মীনুংশি ফঙনবা মখল মখলগী শান্নরিবা লীলা ময়ামসি ঙল্লিঙৈদা থুপচিনখিনবা ঐখোয় ময়াম চুংশিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। তৌবগীদি মীওইবসি শিরমদাই মতম য়ৌরক্লবদি হায়না তান্নবা য়াদবনি হায়দুনা অহল লমনশিংনা হায়নবা লৈ। মরম অসিনা ঙসি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা হায়না তান্নবা য়াদনা লম য়াম্না হেল্লিবসি মখোয় অসি শিরমদাইগী মতম য়ৌরক্লবা মদুনসু ওইগনি। মসিগী মথক্তা “মণিপুর কর্ফিয়ুনা লৈবাক ঙাক্লি-!” অদুননি। ●

# খুন্নাইদা অওনবা পুরকখিবা য়াওল্লোয় ইরাবত –১

- সোতিনকুমার -

১৯শুবা চহীচানা লোইশিল্লকপা অমদি ২০শুবা চহী চানা হৌরকপা অসি মালেমগী ওইনা চাউনা অহোংবা লাকখিবা মতমনি। মণিপুরগী পুৱারীসু অনৌবা য়াওল অমগী য়াকাইরোল শক্কদবগী থৌরাং লকপা মতমনি। পুৱারীগী তাঙ্কক অসিদনি জননেতা ইরাবত ১৮৯৬ সেপ্টেম্বর ৩০ দা পোকখি অমদি চাউরকখিবা। য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদা পোকখিবদা নত্তনা পীশক পীক্লিঙৈদা অপোকপা ওন্না কায়নখি। মপাগা পোকমিন্নবা মনেনা য়োকপী থাকপীরকখি। জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস সেভেন ফাওবা তম্লগা, ধাকাদা লাইরিক তম্বা চৎখি, চহী অনীরোম ধাকাদা লাইরিক তমদুনা লৈরম্মী। মহাক্না ধাকাদা লাইরিক তম্মিঙৈ বাংলা লৈবাক্তা নীংতম্বগী ঈহৌগী অকনবা মৈরী চাকপা ওইখিবনা জননেতাগীদি ধাকাগী পুন্সি য়াম্না মরু ওইরকখিরম্মী। বৃটিশ লোইলমগী মায়োক্তা চঙশিনবা লালহৌগী পুক্নিংদা ফাওরকপা ইথিল ধাকাদগী মরু ওইনা নৈনরকখিবনি। মতমদুগী মণিপুর সমাজদা লৈরিবা মীনা মীবু ওৎপীবগী ফিভম অদুনা জননেতাগুম্বা অমা সমাজদুনা অওনবা পুরকপদা দরকার ওইরম্মী, অদুগুম্বা পুন্সি অমা শেমগৎপদা মতম অদুগী সমাজগী ফিভম্না অকনবা শাফু পীখিবা হায়বসি মহৌশানি। হান্নগী মীওৎ মীনৈগী অরিবা সমাজ অদুগী চৎন– লোনচৎ অনৌবা য়াওল অমা পুরকখিবগী মরম অমদি মহাক্কী পুন্সি নৈনরকপদা মতম অদুগী সমাজগী পোলিটিকেল ইকোনোমি খঙবা তঙাইফদে।

মতমদুগী মণিপুরগী সমাজ বৃটিশ লোইলমগী লৈঙাক্লোন মখাদা লৈবনা মখোয়না খঞ্জবা নিংথৌ অমা হাপচিন্দুনা লৈঙাক্লোনগী শাসন মপু ওইরম্মী। হায়বদি বৃটিশ কোলোনি অমসুং ফ্যুদেলিজমগী লৈঙাক শাসন মণিপুরদা লৈরম্মী। মখোয় অনীগী অপুনবা চৈফুনা মশিং য়াম্লবা লায়রবা লৌমী শিন্মী ওৎ নৈরকপা সমাজ ওইবনা মতমদু মণিপুরগী পুৱারীদা য়াওল্লোয় থোক্লক্তবা য়াদ্রবা মতমনি। মণিপুরগী ইকোনোমিদি লৌউ শিংউবগী শিনফমনা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী মরু ওইবা হিংনবগী পান্থে ওইরম্মী। ঈ–পাউ থাদোক থাজিন য়াম্না নাতৈ চারমদে, লম্বী থোং অসুক্কী মতিক ফৎলমদে, পোৎ পুথোক পুশিনগী মরু ওইবা পান্থে ষণ গাড়িনা ওইরম্মী। লাইরিক লাইশু হৈবা মীওই অসুক্কী মতিক মশিং য়ামদে। কৈথেল পীকই অমসুং মরাং কায়রমদে, অদুম ওইনমক চহীগী ফৌথোক অমসুং ইঙ্খোলদা হৌরিবা মনা মশীং খরনা চিঞ্জাক্কীদি চাবা কোন্নজনবা পোখোক্তি অদুমক পুথোকচবা ঙম্লম্মী। লৌমীগী শেন্থোক লম্বীদি মরাং কায়না লৈতবনিনা লৌমী মীয়ামগী ফুরিৎখাওদা শেল মরাং কায়না লৈরমদে। লৈঙাক্না মখল মখা কয়াগী টেক্স লৌখৎপদা মীনা মীবু ওৎপীবগী মশক শেংনা থোরকখিরম্মী।

মণিপুর খুন্নাইদা অওনবা অমা পুরকপা, মীপুম তিংনা লাইরিক লাইশুগী জ্ঞান লৈহনবা হায়বসি য়াম্নমক দরকার ওই হায়বসি জননেতানা খঞ্জখি। মদুগীদমক নহারোলশিংনা লাইরিক লাইশু তম্বা ঙম্নবা স্কুল লিংখৎনবা হোৎনখি, মশামক ওঝা ওইদুনা অঙাংশিং লাইরিক তাকপীরম্মী, নহাশিং মশা মউ ফম্নবা, লমচৎ শাজৎ ফম্নবা, থকসি–খাসি ঙাক্লবা শান্ন– খোৎনবরোমদা থৱায় য়াওনবা পুক্লিং থৌগৎপীরম্মী। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা টাউন ক্লব লিংখৎতুনা মখল মখলগী মশান্নদা নহারোলশিং শেমগৎখি, ফুটবোল, হোকি, টেনিস, বেদমিন্তন্নচিংবা হৌদোরকপগা লোয়ননা ইরমদমগী মুক্না, কাঙজে, কাংনচিংবসু য়োকখৎনবা হোৎনখি। লোন অমা হিংহনবা অমদি চাওখৎপগা খোরিরোল চাওখৎপগা মরী য়াম্না লৈনৈ, অদুগা সমাজ অমগী অওনবা পুরকপদা লোন অমদি পুৱারীগী থৌদাং য়াম্না চাউই। জননেতানা অহানবা মণিপুরী চেফোং মৈতৈ চনু কুমজা ১৯২২দা পুথোকখি। অফাওবা এক্টরনি, কুমজা ১৯৩০দা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন লিংখৎপদা মাঙজিল থাখি, এম দি য়ুগী সিম্বোল লাঙ্গোন কারন ইরাবতনা পুথোকপনি। খোরিরোল চাওখৎহন্নবা ইরাবত অমদি মতম অদুগী লোন অমদি খোরিরোল নুংশিজবা কাঙবুনা কুমজা ১৯৩৫দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎখি। ইরাবত পরিষদকী অহানবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকখি। মহাক্কী খোরিরোলগী পোখোক্তি মৈতৈ চনু অমদি অনৌবা য়ুগ (চেফোং), মোহিনী (উপন্যাস), লোকমান্য তিলক (পুন্সি ৱারী), ঐখোয় হৌজিক করি তৌগদগে (ৱারেং), শৈদম শৈরেং, ইমাগী পুজা (শৈরেং), সীতা, কেপিটালিজম (রাজনীতি) খুৎইদা লৈরিবা জয়মতী (দ্রামা), কৃষ্ণকান্তাগী ৱিল (ত্রান্সলেসন) অসিনচিংবনি।

মতমদুগী বৃটিশ কোলোনি অমসুং নিংথৌ লৈঙাক সাশন্না চথরম্বা শেন্মিৎলোন্না মীনা মীবু ওৎপীবগী পনবা য়াবা মশক খরদি : ১) তেরা পোখোক্কী অথিংবা : মীচম মীয়ামগী পাট্টাগী লম, ইঙ্খোল ওইরিবা মফমদা তেরা পাম্বী হৌবা ইঙ্খোল মপুদুগী ওইবা য়ারমদে। তেরা মসা অমত্তং করিগুম্বা তেক্তুনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরবদি ইঙ্খোল মপুনা লুপা ৫০ জরিমনা থিহল্লি, থা ৬ জেলদা থম্বা হায়বসি মতমদুগী আইননি। ২) জল সম্বন্ধীগী চৎনবী : মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা পাৎ, তুরেল নিলাম লাউই। নিলাম ওকপা মীবু পাৎ চাবা হায়না খঙনরম্মী। করিগুম্বা ঈশিং ঈচাওনা পাৎতগী খোংবান অমদি অনকপা মফমদা লৈরিবা লৌফমশিংদা ঙা চেন্থোকখিবনি হায়বগী ৱাফমদা পাৎ চাবনা হায়রিবা মফমদুদসু ঙা ফাবগী অয়াবা আইন ওইনা চৎনরম্মী অমদি লৌমীশিংনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা ঙা ফাবগী অথিংবা থনম্মী। ৩) শেন্তেক–শেনখায় : পাৎতগী থমচেৎ–থন্না লেন্না হেকপা, থম্বৌ তানবা, থরো, থাংজিং হেকপদা অথিংবা লৈরম্মী। অদুবু লৈঙাক্তা শেনখায় পীরবদি অয়াবা পী। ৪) খেৱা শেনখায় : খুঙ্গংগী লমদা তুরেল মথক্তা শারিবা মতমদুগী উরোক থোং লানবা, হি শীজিন্নবা মতমদা মীয়ামগী শেনখায় লৈঙাক্তা পীবা তারম্মী।

মীনা মীবু নমদুনা থবক শূহনবা খুৎশুমলদি পীবীদবা (ফোর্স লেবর) : ১) আমিন চাকথাক : আমিন্না খুঙ্গং–খুঙ্গং চৎতুনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপা লাকপদা মীচম মীয়ান্না আমিনগী চাবা–থকপা, সেবা তৌবীবা হায়বসি লৈবাক্কী আইন ওইনা লৈরম্মী। আমিনগী অনীংবা অপান্বগী মায়োক্তা লৈবা মী দন্দি ফংই। ২) পিওন চাকথাক : লৌরুংশঙগী মীওইশিং খুঙ্গং খুঙ্গংদা খাজনা খোম্বা লাকপদা মখোয়না থুংলুরিবা লমদমদুগী মীওইশিংনা চাকথাক হুনবদা নত্তনা মখোয়গী অনীংবা অপান্বদা য়েৎপা য়ারমদে। ৩) দোলাইরেং : লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা পিওন, কেরানী অমদি অঙম অথৌ খুঙ্গংদা খোঙদারকপদা খুঙ্গং অমদগী অমদা মখোয়বু মীয়ান্না দোলাই তোঙহন্দুনা পুবীবা তারম্মী। ৪) য়ারেক সন্ত্রি : লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি, কেরানীশিংনা খুঙ্গং অমদগী খুঙ্গং অমদা টেক্স খোমগৎপা চৎপদা খুঙ্গংগী নহারোলশিংনা অহীং চুপ্পা মখোয়বু ঙাক শেনবীবা করিগুম্বা পোৎমাং চৈমাং থোক্লবদি, শঙলিবা মীশিংবু অহকপা চৈরাক পীরম্মী। ৫) পোৎথাং পুবা : লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা অরাপ্পা লম চৎপদা ফম্নাইবশিংগী মপোৎ মচৈ অৱামল পীদনা পুহল্লি। ৬) পোৎথাং শুবা : লম্বী থোং অমদি অঙম অথৌগী বঙ্গলো শাবদা অৱামল পীদনা শিন্মীবু থবক শূহল্লি। মতমদুগী চৎনবীদা লায়রবা লৌমীগী ইমুংদা পোকপা মচা নিঙোল শা–ষণ লৈবদৌনা শেল পীদুনা লৈরগা লৌয়াম চাবা অঙম অথৌশিংগী মচানুপী লুহোংবদা অউনশীনাই ওইনা হাপ্পা চৎনরম্মী।

ইরাবতকী সোসিয়েল রেভল্যুসন মুভমেন্ট : জননেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা কুমজা ১৯৩৪ দা ‘নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা’ লিংখৎখিরম্মী। মহারাজ য়াওনা শেল্লকপা মহাসভা মপাঙ্গল কনখৎলম্মী। লোয়ননা লুচিংবা ইরাবতনা কৃষি সম্মেলন্নী কৌবা লূপ অমা কুমজা ১৯৩৬তা নম্বোলদা লিংখৎরম্মী। মতমদুগী মীওৎ মীনৈ লৈঙাক্তুগী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ কয়া চঙশিনখিরম্মী। কৃষি সম্মেলন্নীগী মরু ওইবা দিমান্দি য়ারেক সন্ত্রি, পীওন আমিন চাকথাক, পোৎথাং বেগার, দোলাইরেংগী আইন ককথৎলু, ফোরেষ্ট টোল ষ্টেসন লৌথোকউ, খুঙ্গংগী চীং মীয়ামদা পীগদবনি, চীং পাৎ নিলাম ককথৎলু, শের নিফুনা মন শাগদবনি, লৌমীদগী লৌ শৎপা য়াদে, উতোং ৬৪ গী শঙবায়না লৌশান লৌগদবনি, ইঙ্খোল পাট্টা মনুংদা হৌবা তেরা পাম্বী নিলাম কক্কদবনি, লৌয়াম চাবা নিতি মুথৎলু, লাঙ্গোল পায়বনা লৌমীগী মপু ওইগদবনি হায়বনচিংবশিংনি। লুচিংবা ইরাবতনা চঙশিল্লকখিবা মতমদুগী ঈহৌ মায় পাকখিরম্মী।

বৃটিশ কোলোনি অমসুং নিংথৌ লৈঙাক শাসন্না মীনা মীবু ওৎপীবগী শক্তম খরা : মতমদুগী মণিপুর সমাজ ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বা অকনবা আইন লৈরম্মী। মণিপুরগী য়াইতোংবা হিন্দু ধর্ম্মগী পন্দিটশিংনা ওইবা মহারাজগী মীৎয়েং মখাদা ব্রহ্মাসভা হায়দুনা লূপ অমা লৈরম্মী। মী অমা শিরবদি পোৎলোইহনবা অমসুং পোৎলোইহন্দবা হায়বসি ব্রহ্মাসভাগী মখা পোল্লি। ব্রহ্মাসভানা মাংলে হায়দুনা শক খঙলবদি অশিবা হকচাং পোৎলোইবা য়াদে। পোৎলোইথ্রবসু মাংঙি হায়দুনা শোরাৎ শোনবা য়াহন্দে। অদুবু ব্রহ্মাসভাদা শেংদোকমল শেল পীরগা শেংলে হায়দুনা লাউথোকপীরবদি পোৎলোইবা য়াহল্লি, শোরাৎ শোনবা য়াহল্লি। ব্রহ্মা সভানা লৌবা শেংদোকমলগী শেলফম লুপা ৮০ শিকি পায় মাপলনি। শেল লৈতবা শেংদোকমন পুথোকপা ঙমদবা ইমুংদদি পোৎলোইবা আইনগী অথিংবা লৈ। অমাংবা হায়বদু ওইরবা ইমুংদদি লৈকায়না অমদি সমাজনা ইন্থোকপীবগী চৎনবী লৈরম্মী। ব্রাহ্মনশিংনা মৈতৈ নুপী লৌরগা নুপী অদুগী মখুৎ চাবীদবা, মহাক্না পোকপা মচা চাকইন খোম ইনবা য়ারমদে, মহাকপু খায়নবীরগনা মপামগী চফু চাবা য়াদবা, অদুগা অতোপ্পা মৈতৈ অমদা ময়ুম অমুক পানবা য়াদবা অসিনচিংবা মীনা মীবু ওৎপা চৎনরম্মী। মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোইশঙনা ধর্ম্মগী মীংদা মীচম মীয়ামদগী টেক্স লৌখৎলম্মী। মী খুদিং হিন্দু ওইরবদি চন্দন থিনগদবনি, ব্রহ্মাসভা লুপ অসিনা চন্দন থিনবগী শেনফম প্রজাদগী লৌই। নৌনা লাইমিং লৌবা মী য়াওবা ইমুং খুদিংদগী আনা ৫ লৌরম্মী। ধর্ম্মগী মীংদা প্রজাদগী শেল লৌবগী চাং দরবারনা মতমগী ওইনা লেপ্পী। নাহুৎ নারেং থোকপদা শম ককপা (নাপেৎ) না ইমুং অদুদগী শেল লৌরম্মী। চাবোকপা, অশিবগী শাগৈ য়ুম মাংবগী য়ুমশেং কৈশেংবা পাঙথোকপদা শেনখায় থিবা তারম্মী। মহারাজ অমসুং ব্রহ্মাসভাগী মীওৎ মীনৈ অসিগী মায়োক্তা (হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী) কলচরেল রেভল্যুসন অমা পাঙথোক্লবগীদমক জননেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা শেল্লকখিবগী মরম অমসুনি। অৱা লান্দা লাঞ্জেন্নখিবা অমদি ফাবী পুবীখিদুনা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা চৌইজাইননা তারিবা মণিপুরীশিং পুনশিন্নবা থৌরাং অমা ওইনা মহাসভা অসি অহানবদদি মহারাজ য়াওনা শেমখিবনি। অদুম ওইনমক মহাসভানা কলচরেল রেভল্যুসন অমা মায় পাক্না পাঙথোক্তুনা মতমদুগী ধর্ম্মগী মীংদা চৎনরম্বা সোসিয়েল এক্সপ্লোইটেসন থুপচিনখি। ●

# কৈবী মনাচীংদা ইরাবত

- তোম্বী চনু -

লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মণিপুরবু কন্ননবগীদমক পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা লেপ্তুনা কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বর ২১দা এম দি য়ু হোলদা কৌখিবা মীফমদুবু য়াওবা লাকপা লম্লাই মায়কৈদগী লৌমী মীয়ামগা পুংদোংম্বমদা মুক্লবদা পুলিস ওফিসর নরানবাবু নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদবা নুমিৎ অদুদগী মহাক অন্দরগ্রাউন্দ তাদুনা মীরোৎ ওইখ্রবা মতুংদা অৱাং কৈবী মায়কৈদা অঙকপা মওংদা কৃষক সভাগী ঈহৌ কনখৎলক্তুনা খুঙ্গং অহুম মরি পূন্না পোইনু লৌ লোকমিন্নবা অমদি লৌ লোকপা লোইখ্রগা নিংথম মহে মরোং থামিন্নদুনা কলেক্টিভ ফার্মিং তৌমিন্নরগা কৃষক সভাগী ফন্দ শাগৎমিন্নখি। হায়রিবা খোঙথাং অসি মথং চহী ২/৩ ফাওবা মায়কৈ অশোমদা চৎথদুনা লাকখি।

মহাক্না অন্দরগ্রাউন্দদা লৈরবা মতুং থা ৬ লৈরগা ফাইরেন/লমতা অদুৱাইদা কৈবী মায়কৈগী ওইনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওফিস লাইশ্রম থম্বালঙৌগী মমাঙ শঙ্গোইদা লিংখৎতুনা মায়কৈ অসোমগী নহা অয়াম্বনা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা মিং চন্দুনা ঈহৌ অসিবু মপূং ফানা শরুক য়াখি। অৱাং কৈবী মায়কৈদা কম্যুনিষ্ট পার্টি শেমগৎপদা মপূং ওইনা থৌদাং লৌখিবা পার্টি লুচিংবদি থোকচোম বোরোনা ওইখি। কৈবী মায়কৈগী লুচিংবনা লাইশ্রম থম্বালঙৌ অমসুং থাংজম তোম্বনি। পার্টিগী লুচিংবশিংনা রুসতা লেনিননা লুচিংদুনা ওক্টোবর সোসিএলিষ্ট রেভল্যুসন মায় পাক্তুনা মান্নবা খুন্নাই লিংখৎখিবগী মতাংদা মমুৎ তানা তাকপী তম্বীদুনা থিওরি অমসুং প্রেক্টিকেল পূন্না চৎমিন্নরবা মতমদা রেভল্যুসন মায় পাক্না মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়না নিংথিনা ক্লাস তৌবীখি। নহা ইনখৎলকপশিংনা খুন্নাইগী অওনবা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বদু মাঙদা পুথোক্তুনা নৈনবীবগা লোয়ননা থিওরি খুদিংমক প্রেক্টিকেলদা ওন্থোক্লবা হোৎনখি।

পার্টিগী পান্দম ওইনা মায়কৈ অশোমদা লৈরিবা অঙাংশিং অমদি মীপূম তিংনা লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা হোৎনদুনা কৈবীদা স্কুল লিংবা হৌখি। শোথরবা মায়কৈ ওইবনা লাইরিক তাকপীনবা ওজা লৈতবদগী ছাত্র ফেদরেসনগী মেম্বর শওন্থুংদা ময়ূম পাল্লকপী লোংজম নিঙোল য়ূম্নাম ওংবী তোম্বীবু পার্টিগী অহলশিংনা ঙাঙনরুনবা তাকপীরকপদগী হায়নরুবদা হরাওনা য়াবীরক্তুনা ওজা ওইহনখি। মতমদুগী লম্বী থোং ফত্তবা মরম্না মহাকপু লৌথোক লৌশিন তৌবদা ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিংনা মথৌদাং লৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

মথং চহী ওল্লকপা ফাইরেল/লমতা মতমদা কৈবীগী কবোলৌ লুখুমদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রেদ গার্দ ত্রেনিং সেন্টর হাংদোক্তুনা নহা ৭০গী মথক্তা ত্রেনিং পীরম্মী। ত্রেনিং অসিবু তাকপী তম্বীখিবা অমদি অশিল অরাংশিংদি থোকচোম বোরো, নিংথৌজম বিনয়, ঙাঙোম মোহিন্দ্রো, মোইরাংথেম ইবোহল, লাঙ্গোলজম তিকেন অসিনচিংবশিংনি।

মতম খরা অকনবা মওংদা ত্রেনিং চথরিঙৈ নোংমা অয়ূক অমদা অসাম রাইফলসকী ছুটিদা লৈবা পাঙ্গৈ নেপালি খরা শা তানবা লাকপদগী থেংনদুনা নুমিৎ অদুমক্তদা চানুংগী চিনবা (চীংগী মমিং) মতোন্দা ত্রেনিং সেন্টর হাংদোকখি। মথংগী অয়ূক্তা মণিপুর রাইফল অমসুং অসাম রাইফলগী জৱান ১০০গী মথক্তা লাক্তুনা কৈবী চীংশাং অমদি কবোলৌ লৌকোন্দা থিবা হুম্বগী থবক চথখি অদুবু ফাবা পুনবদি অমত্তা য়াওখিদে। থৌদোক অদুগী মতুং নুমিৎ নীনি হুম্নি লৈরগা দি সী ময়াং অমা য়াওনা পুলিস ওফিসর কয়া লাক্তুনা কৈবী খুল্লেন অমদি কৈবী কুমুদা কলেক্টিভ ফাইন লৌদুনা খুঞ্জা মীয়াম শেল থুমগী অৱাবা পোৎলূম পুহনখি। মসিগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা নহারুপ্তুগী ইনফোর্মর (সী আই দি) মরি পার্টিগী কেদরশিংনা ফাদুনা কৈবীদা পুরকখি। সী আই দি মরি অদুদি কৈশাম বাবুধন, নিংথৌজম সেখো, ক্বাকৈথেলদগী ইবোতোন, উরিপোক লালাবুঙদগী ইবোবী মখোয় অসিনি। মখোয় মরিবু কৈবী অৱাং লৈকায়গী লিকমাবম বাবুগী য়ূমদা থমদুনা নিংথৌজম বিনয় অমসুং থোকচোম বোরোনা মচিন হংখি। সী আই দি মরি ফারগা কৈবী লোমদা পুখ্রে তাবদগী মণিপুর রাইফলগী টিম অমা লাক্তুনা নিংথৌখোংজম মনি অমসুং অবুজম নিলাবনি ফারগা অৱাং লোমদা পুখিবদগী পুলুম পাঙ্গল তাবীদা লমদম অসোমগী নুপী ময়ামগা অকনবদা মুক্লখি অদুবু মখোয় অনী কলহৌবা ঙমদনা ইম্ফাল থনাদা পুখিদুনা মতম খরা জেলদা থমখি।

মতমদুগী কৈবীদা মপূং ওইনা বেজ তৌবা কম্যুনিষ্ট লালহৌবশিং নমথনবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা ইরিল তুরেলগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা লৈবা লমবোইখুলগী চীংদুমদা মণিপুর রাইফলগী কেম্প হাংদোকখি। মতম অদুদগী মফম অসি কৈবীদা ওপরেসন চথনবা কেম্পনি হায়না তাইগর কেম্প হায়না খঙনদুনা হৌজিক্তি খুঙ্গং অমগী মমিং ওনখ্রে। কম্যুনিষ্ট লালহৌবশিংনা ওপরেট তৌবা কৈবী মায়কৈগী খুঙ্গংশিংবু অরোনবা মমিংদা লম্পাক এরিয়া হায়না খঙনখি। অৱাং মায়কৈদা লময়ানবা ইরাবতনা মপূং ওইনা কৈবীদা লৈরম্মী। মহাক্না তোইনা লৈরম্বা ইমুংশিংদি থৌদাম জত্রা, থাংজম তোম্বা, লাইশ্রম থম্বালঙৌ, লৈচোম্বম তোলহায়বী, ওইনাম ইবোচা অসিনচিংবনি। তরেৎখুল কৈবী ৱাংমদা মোইরাংথেম কৃষ্ণসিংহনা মপূং ওইখি।

থাংজম তোম্বা, থোকচোম বোরো অমদি ঙাঙোম মুহিন্দ্রো ফাখিবদগী চিংনবা লৈবনা চেকশিন থৌরাং ওইনা অয়ূক নুংথিলদা কৈবী মনাচীংদা লৈফম ওইদুনা পার্টিগী অরোনবা মীফম কয়া ফমখি। মহাক্কী চিঠি, চে-চাং, চান-থক্লবা থিন্দোক থিনজিন্না নহা ওইরিবা নিংথৌখোংজম মোইরাংনিংথৌনা ওইখি। লময়ানবা ইরাবতনা কৈবী মায়কৈ অমদি কৈবী মনাচীংদা মহাক্না বর্ম্মাদা চৎত্রিঙৈ মমাঙ ১৯৫০গী কালেন চঙলকপা মতমদুফাও লৈরম্মী।

মহাক্কী মতুং ইনবীরম্বী কৈবী মায়কৈগী মহিলা সামেলনিগী নুপী লুচিংবীশিংদি থৌরানি ইবেচা, অবুজম ললিতা, থাংজম ওংবী লমনি, লৈচোম্বম ইবেমপিশক অসিনচিংবনি। লময়ানবা মহাকপু নীংশিংজদুনা কুমজা ১৯৯২দা কৈবীগী খুঞ্জাশিংনা ইরাবত মেমোরিএল ত্রষ্ট কৈবী লিংখৎখি। ত্রষ্টকী ফাউন্দর প্রসিদেন্টনা এন মোইরাংনিংথৌনি।

লময়ানবনা তোয়না শাথুপ্পম্বা অমদি পার্টিগী অরুবা ৱারেপ কয়া লৌখিবা কৈবী মনাচীংদা সরাবত মেমোরিএল ত্রষ্ট অমসুং কৈবী খুঞ্জা অনীনা খুৎশম্নদুনা ১৯৯৫/১৯৯৬তা ইরাবত নীংশিং য়ূম্বী য়ুংখিবগা লোয়ননা ইরাবতনা বর্ম্মাগী তাংবোদা ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ২৬তা লৈখিদবা নুমিৎপু চহী খুদিংগী নীংশিংদুনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা লাকই।

কৎখিনি ঙসিসু হৈরাং লৈরাং,
চহী খুদিং কুমওন খুদিং,
লিখিনি ৱারী মহাক্কী
শৈথাখিনি মগুণ লেপ্তুনা,
তুংগী মীরোল মীরোলদা
তমজহৌনবা ইচা-ইশুশিংনা
মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক,
ইরৈবাক নুংশিবা ফাওনবা
মহাক্নুম্না কৎথোকপা ঙম্নবা,
নুংশিরবা ইরমদম মণিপুরগী! ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১) **“পোইরৈ নাৎকী ৱারেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **“কুরঙ্গনয়নী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৩) **“নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লম্লবা পামেল।”**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“লোইয়ুম্বা”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।